**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 09-07-2025)**

**ষ্ট্রাইক (এল)ঃ** সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়নশিংনা তোঙান তোঙানবা দাবীশিং তকশিন দুনা লৈবাক শিনবা থুংবদা কৌখিবা জেনেরেল ষ্ট্রাইক রাজ্য অসিদসু মপুং ফানা চথখ্রে। ইম্ফাল য়াওনা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী মরুওইবা কৈথেলশিং মপুং ফানা কান্নখিদে।

ওল মণিপুর বেঙ্ক ইমপ্লোয়িজ এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা বেঙ্ককী কর্ম্মচারিশিংনা ইম্ফালগী এম.জি. এভিন্যুদা খোঙজং চংশিনখি। মদুদা শরুক য়াখিবা লুপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি-সোইবম ইন্দ্রকুমারনা হায়-লৈবাক অসিদা লৈরিবা শিন্মীশিংগী খুৎশুমন, থবক শুবগী মওং য়াওনা সোসিএল সেক্যুরিতিনচিংবা তোঙান তোঙানবা হীরমশিং কোনশিল্লিবা লেবর লো ২৯ হৌজিক ফাওবা মপুং ফানা চৎনদ্রি। মরক অসিদা, অনৌবা লেবর কোদ শেল্লকপনা শিন্মীশিংদা পীরিবা খুদোংচাদবা অমদি মসিনা ট্রেদ য়ুনিয়নশিং মুৎখিনবা মরম ওইরক্লি। মসিগীসু মথক্তা মমাংদগী হৌনা দাবী তানদুনা লাকখিবা দাবীশিং য়াওনা শিন্মীশিংদা য়ামদ্রবদা থা অমদা লুপা লিশিং ২৬ ফংহল্লু হায়বা ৱাফম অসিসু চৎনহনগদবনি হায়বা ৱাফম অসিসু ঙসি চংশিল্লিবা খোঙজং অসিগী মনুং চন্না দাবী তৌরি।

জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিগা মরী লৈননা ঙসি ইম্ফালগী ইরবত ভবনদা লৈবা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সি.পি.আই) গী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা কো-ওর্দিনেটিং বোদি ওফ ট্রেদ য়ুনিয়নগী চেয়ারমেন-এল.সোতিনকুমারনা হায়-জাতিগী থাক্তা পাঙথোকখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি শৌগৎতুনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা এল.আই.সি., বি.এস.এন.এল, পোষ্টেল য়াওনা তোঙান তোঙানবা বেঙ্কক্কী কর্ম্মচারিশংনা শিন্থা লেপতুনা মখোয়

মখোয়গী ওফিসশিংদা খোঙজং চংশিনখি। ত্রক দ্রাইভরশিংনসু ষ্টেরিং থাদোক্তুনা খোঙজং চংশিনখি। ভারত সরকারনা হীরম খুদিংমক্তা প্রাইবেটাইজেসন তৌনবা হোৎনরকপা অসিনা শিন্নমীশিংদা অচৌবা চৈথেং পীরি। অমরোমদা, পাডমীশিং, ভি.দি.এফ. আশা ৱাকর, মিদ ডে মিল অমদি অঙ্গনৱাদি ৱাকরশিং ফাওবা থা অমদা খুৎশুমল লিশিং ২৬ পীগদবনি হায়খি।

থৌবাল জিলাদসু বন্দ অসি শৌগৎতুনা কোওর্দিনেটিং বোদি ওফ ত্রেদ যুনিয়ন্স মনিপুর-স্কিম ৱাকরস যুনিয়ন-থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কমিতি অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ষ্টেট পেন্সনরস যুনিয়ননা শিনদুনা থৌবাল অথোকপম কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম ফমখি। জিলা অসিগী পেন্সনর যুনিয়নগী প্রসিদেন্ট-লিকমাবম বিনোদ কুমারনা হায়-অনৌবা পেন্সন স্কিমনা পেন্সনরশিংগী খুদোংচাবা কয়া মাঙহনবগী থৌওং কয়া লৈবনা হান্নগী পেন্সন স্কিম অদু চৎনহনবা হায়বা ৱাফম অসিসু ঙসিগী খোঙজং অসিগী মনুং চন্না দাবী তৌরি হায়খি।

বন্দ অসিনা মরম ওইদুনা বিষ্ণুপুর জিলাদা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা থোকখি। মহে লোইশঙ, সরকারগী ওফিসশিং কান্নরকপগী চাং নেমখি। কৈথেল অমদি দুকানশিং থোং হাংনখিদে।

জিরিবাম জিলাদসু মণিপুর গভর্নমেন্ট সার্ভিস ফেদরেসন (এম.জি.এস.এফ) অমদি অতৈ লুপ কয়াগা লোয়ননা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখি। ৱাকৎ মীফম অসিদা এম.জি.এস.এফকী এদভাইজর চীংঙাংবম বিরেন্দ্রনা জিরিবাম জিলাদসু খোঙজং অসি শৌগৎলি অমদি মরী লৈনবশিংনা অথুবদা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়না ফোংদোকখি।

**বসন্তা (এল)ঃ** তুংগী অচংবা খুন্নাইগী যুন্বী অমা ওইহন্নবগীদমক মহেরোইশিংনা ইমা-ইপানা হায়বা ইনগদবনি হায়না হান্নগী শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাউজম বসন্তাকুমারনা আপিল তৌরি।

ৱাফম অসি মোইরাংগী আই.এন.এ. ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকপা

অখিল ভারত্তিয়া বিদ্যারধি পরিষদ (এ.বি.ভি.টি) বিষ্ণুপুর জিলাগী ৭৭ শুবা মপোক কুমওন অমদি জাতিগী মহৈরোইশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা ফোংদোকখিবনি। থৌরম অদুদা এম.এল.এ. বসন্তাকুমারনা হায়-ঐখোয়না ইমা ইপাবু ইকায় খুমবগা লোয়ননা অশঙবা মতমদা মখোয়গী মতেং পাংগদবনি। লাইরিকপু মরুপ অমগুম লোয়নবা ঙল্লবদি মীথোই মীহেনবা মীওই অমা ওইবা ঙমগনি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না লাইরিক ফবা মহৈরোইশিংদা মনা-মথুম পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

**ডে (এল)**ঃ ককচিং জিলাগী মনুং চনবা ৱাবগাইদা লৈবা থন্বাল চিংয়া কম্যুনিতি হোলদা ঙসি ৱার্ল্ড জ়নোসিষ্ট ডে-২০২৫ গী পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু জিলা অসিগী হেলথ সোসাইতি অমদি সরভিলেন্স য়ুনিট-ককচিংগা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকপনি।

ৱান হেলথ, ৱান ফ্যুচর ঃ প্রিভেন্টিং জ়নোটিক আউটব্রেক্স টুগেদর হায়বা হীরম অসিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ককচিং জিলাগী সরভিলেন্স ওফিসার-ডাঃ খাঙেম্বম গোপেশ্বরনা পালন থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরম মীয়ামদা খঙহনখি। জিলা অসিগী চীফ মেদিকেল ওফিসার, ভেটিরিনারি ইম্যুনাইজেসন ওফিসার য়াওনা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা লমশিংদা থৌ পুরিবা মীওই কয়া থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

**কোবিদ (এল)**ঃ মনিপুরদা ঙসি নৌনা মীওই অহুম কোবিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইবা থেংনরে।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না, ঙসি পুন্না মীওই ১৫ গী টেষ্ট তৌবদা মীওই অহুম পোজিটিব ওইখিবনি। মসি থারগা হৌজিক ফাওবদা অপুনবা পোজিটিব ওইবা মশিং ৩০৭ শুরে। হৌজিক এক্তিব কেস ৩৮ লৈরি।

**লম্বী (এল)ঃ** মনিপুরদা লৈরিবা লম্বী থোং অয়াম্বা ফিভম ফৎত্রে হায়না এম.এল.এ. থোকচোম লোকেশ্বরনা নুংনাংবা ফোংদোকখ্রে। রাস্ত্রপতি সাসন লৈরিঙৈ মনুং অসিদা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং থিন্থরব্রা হায়বগী ৱাহং হংনিংঙাই ওইরে হায়রি।

ৱাফম অসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চিঙারেল তেজপুরগী শঙলেনদা পাঙথোকপা ই-পাউ তেংবাং লুপ মনিপুরগী ৮ শুবা মপোক কুমওনগী থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। থৌরম অদুদা শ্রী লোকেশ্বরনা হায়-রাজ্য অসিগী লম্বী থোংগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা সরকারনা অখন্নবা মীৎয়েং চংবগী তঙাইফদবা লৈরি। মসিগীসু মথক্তা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীয়ামনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসিসু অহেনবা মীৎয়েং চংবগা লোয়ননা মশা মশাগী মরমদমদা হঞ্জবা য়ানবা সরকারনা অথুবা মতমদা হোৎনবীয়ু। মসিগী মনুংদা মোরে অমদি চুরাচান্দপুরদগী লাঞ্জেন্নরক্কুনা লৈরিবা মীওইশিংগী ওইনা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎপীনবসু মহাকা মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌরি।

**য়ুসিএম(এল)ঃ** পুন্না হিংমিন্নবা, পুন্না চাউখৎমিন্নবা অমদি চিঞ্জাক্তা মীপান তাংদবা খুন্নাই অমা ওইহনবা হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা য়ুনাইটেদ কমিতি মনিপুর (য়ু.সি.এম) না লিশাং শিংনা থবক থৌরম কয়া পায়কৎতুনা লাক্লি হায়না লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট-ৱাই.কে. ধিরেননা ফোংদোকখ্রে।

ৱাফম অসি লুপ অসি হৌদোকখিবা চহি ২৫ শুরকপগী চহি অমা চুপা পাঙথোক্কদবা সিলভর জব্লি সেলেব্রেসনগী মনুং চন্না ঙসি পাঙথোকপা নোংবগী ওইবা লৌমীশিংগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমদা ফোংদোকখিবনি। থৌবাল জিলাগী চরাংপাৎ মমাং লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱাই.কে. ধিরেননা হায়-ঐখোয় মীয়মানা মীপাল তাংদবা পুন্সিরোল অমা শেমগৎপা তঙাইফদে। মতমগী অনৌবা লৌউ-পথাপ কয়া লৈরিবা অসি শিজিন্নদুনা

পোৎথোক হেন্না পুথোকবা হোৎনগদবনি।

**থৌবাল (এল)ঃ** থৌবাল ওক্রমদা লৈবা ৱাইখোম মণি গালর্স কলেজগী ইন্দক্সন পোগ্রাম ঙসি কলেজ অসিগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

কলেজ অসিগী ইন্দক্সন প্রোগ্রাম ওর্গনাইজিং কমিতি অমসুং ইন্টরনেল ক্বালিটি এসুরেন্স সেলনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা একাডমীক সেসন ২০২৫-২৬ কীদমক বি.এ., বি.এস.সিদা মিং চল্লক্লুবা মহৈরোইশিং কলেজগী প্রিন্সিপাল-প্রোফেসার-হঞ্জবম মনোরঞ্জন শর্ম্মা, ভাইস প্রিন্সিপাল-ডা: এস. শ্যামকিরননচিংবা শরুক য়াখি।

**মেলা (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লুৱাংশংবম পুখ্রি অচৌবা মপাল কম্যুনিতি হোলদা ঙসি নোংমগী ওইবা ভিলেজ প্রোসপরিটি রিজিলিয়ন্স প্লান (ভি.পি.আর.পি) কনভরজেন্স মেলা অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মেলা অদু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লাইফম খুনৌদা লৈবা থৌঙন্বী ৱিমেন মল্টি পরপজ কো-ওপরেটিব সোসাইতিনা মনিপুর ষ্টেট লাইফলিহুদ মীসনগী পঞ্চায়েটি রাজ ইন্সটিট্যুসন্স কম্যুনিতি বেজ ওর্গনাইজেসন্স (পি.আর.আই.সি.বি.ও) কনভরজেন্স প্রোজেক্টকী মখাদা পি.আর.আই. মেম্বরশিংগা খুৎশমদুনা পাঙথোকপনি। গ্রাম পঞ্চায়ট ৮ দা লৈবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অমদি মীয়ামদা সরকারনা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং হকথেংননা ফংহন্নবগী পান্দমদা মেলা অদু পাঙথোকখিবনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং নামিবিয়াগী রাস্ত্রপতি-নেতুমবো নন্দি-নদাইটৱাগা ঙসি লৈবাক অদুগী কোনুং ৱিন-হেককী ষ্টেট হাউসতা মীহুৎ কাংবুগী থাক্তা ৱারী শান্নখ্রে।

লৈবাক অনিগী মরক্তা মরুওইবা লমশিংদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্দুনা

শেল থুমগী অচেৎপা মরী থমবা পান্দমদা ৱারী শান্নবা অদুগী তুংদা হকশেল, হিদাক লাংথক, বাইও ফ্যুয়েল, ইনফ্রষ্ট্রকচর ফ্রেমৱার্ক অমসুং ওন্ টরপ্রেন্যুয়রসিপকী লমদা লৈবাক অনিনা য়ান্ন চে কয়া সহি তৌনখ্রে।

নামিবিয়া খোঙচৎতা লৈরিবা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অদু শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা অমসুং অহানবা রাস্ত্রপতি, লৈখিদ্রবা ডাঃ সাম নুজোমাগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি। শ্রী মোদিদা লৈবাক অনিগী মরী ফগৎনবা হোৎনরিবা থৌদাংবু শক খঙবা ওইনা নামিবিয়াগী খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলয়ন এৱার্ড পীদুনা ইকায় খুমগনি। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা নামিবিয়াগী সংসদতা ৱা ঙাংগনি।

**গুজরাট** ঃ গুজরাটকী বরোদরা জিলাদা থোং অমা নিংখায়রকপদা মীওই ৯ লৈখিদ্রে, কয়ামরুমনা অশোক অপন নংলে।

বরোদরা জিলা অমসুং অনন্দ জিলা অনিগী ফাওনবা মাহিসাগর তুরেল মথক্তা শাবা গম্ভীরা থোং ঙসি অয়ুক নিংখায়রকপদা বস অমা য়াওনা গাড়ি অহুম তুরেল অদুদা তাশিনখিবনি।

পুলিসকী পাউনা হায়-মফম অদুদা হৌজিক বরোদরা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন য়াওনা তোঙান তোঙানবা রেস্ক্যু টিমনা মী কনবগী থবক চত্থরি। মরক অসিদা, গুজরাটকী মুখ্য মন্ত্রি-ভুপেন্দর পতেলনা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা খঙহনখ্রে। গান্ধিনগরদা ঙসি মুখ্য মন্ত্রিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা রাজ্যগী মন্ত্রি-মন্দলগী মীফমদা থৌদোক অসিগী মতাংদা খন্নখি। মুখ্য মন্ত্রিনা থোং তেকপগী থৌদোক অদুগী মতাংদা ওফিসিএলশিংদগী অহানবগী ওইবা রিপোর্ট পীখৎলকবা খঙহনখি।

অমরোমদা, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা থৌদোক অসিবু থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মহাক া হায়-লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা প্রধান মন্ত্রি রিলিফ ফন্দগী লুপা লাখ অনি-

অনি পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। অদুগা অশোকপশিংদনা লুপা লিশিং ৫০-৫০ পীরগনি।

**ঈচাউ ঃ** নেপালগী রাসুৱাদা ঈশিং ঈচাউ থোকপদগী লৈখিদবশিংগী মনুংদা মীওই ৯ গী অশিবা হকচাং ফংলে।

নেপাল পুলিস হেদক্বাটরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মীওই ১৯ থিবা খঙদনা লৈরি। মসিগী মনুংদা পুলিস অনি অমসুং চাইনা মচা ৬ য়াওরি। হৌজিক ফাওবদা পুলিস অমসুং রেস্ক্যু টিমশিংনা মীওই ৫৭ কনবা ঙমখ্রে। ঈশিং ঈচাউ অসিনা নেপাল অমসুং চাইনাগী ঙমখৈ পরিংদা লৈবা মিটৈরি থোং চেন্থখ্রে অমসুং মরুওইবা লম্বী কয়া ফাওনবা য়াদনা লৈরি।

অমরোমদা, আমেরিকাগী টেক্সসতা ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইরগা লৈখিদবা মীগী মশিং ১২৯ শুরে। হৌজিক মীওই ১৬১ থিবা খঙদনা লৈরি। টেক্সাসকী গভর্নর গ্রেগ এবোটনা হায়- ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিংদা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) না শিনবা অনিশুবা প্রিমিয়র লিগ ফুটবোলগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লবনা য়ুনাইটেদ চান্দেলবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

সাই তাকয়েল গ্রাউন্দদা চত্থরিবা লিগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা মেটচতা-অসুফি এফ.এনা য়ুথ সোসিএল ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** খেল্লো ভারত এ.বি.ভি.পি. মনিপুর ষ্টেটনা শিনদুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মাইবম লৈকাই হৈনৌ খোংনেম্বীদা লৈবা আই.আর. তর্ব গ্রাউন্দদা চত্থরকখিবা ষ্টেট লেবেল নোক আউট ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা-ৱার্ল্ড

প্রো এফ.সি-লিলোংনা পান্থোইবী এফ.সি. লংথাবালবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**মসল (এল)ঃ** ন্যু য়োর্কতা মমাং থাগী ২৬ তা পাঙথোকখিবা ২৬ শুবা ৱার্ল্ড এন্যুয়েল মসলমেনিয়া য়ুনিভরস চেম্পিয়নসিপ, নেচরেল বোদি বিল্ডিং অমসুং ফিটনেস কম্পিটিসনগী ওপন মেন্স ফিজিক দিভিজনদা মসলমেনিয়া প্রো-কার্ড অমসুং জ্নিয়ার ক্লাসিক ফিজিক্তা ওভর ওল চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবা শগোলবন্দ তেরা সাপম লৈরক্তগী রাজকুমার বোমবোমবু তরামা ওকখ্রে।

কংলৈ বোদি বিল্ডিং জিম-তেরা সাপম লৈরকা শিনদুনা ইম্ফাল ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতা পাঙথোকখিবা তরামা ওকপগী থৌরমদা লৈকাইগী মৈরা পায়বী অমদি মীওই্ কয়া শরুক য়াখি।

**দুরান্দ কপঃ** দুরান্দ কপ ২০২৫ গী ত্রোফি, ঙসি মেঘালয়গী কোনুং শিল্লোংদা মীয়াম মাংদা পুথোকখ্রে। মুখ্য মন্ত্রি কোনরাদ কে. সংমা, স্পোর্ট এন্দ য়ুথ এফ্যারস মন্ত্রি সাকলিয়র ৱাজিরি, জি.ও.সি ১০১ এরিয়াগী লেফটনেন্ট জেনেরেল সঞ্জয় মালিক থৌরম অসিদা শরুক য়াখি।

তুংদা, ত্রোফি অসিগী রোড সো অমসু পাঙথোক্কনি। রোদ সো অদু দুরান্দ কপ ওর্গনাইজিং কমিতিগী চেয়ারমেনসু ওইরিবা ইষ্টর্ন কম্মান্দগী লেফন্টনেন্ট জেনেরেল মোহিত মালহোত্রনা লমথাখি। ১৩৪ শুবা দুরান্দ কপা থা অসিগী ২৩ দগী কোলকাতাদা হৌদোক্কনি।